

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, NOVEMBER 25, 2018 PAGE 7




*মহারাষ্ট্রকী সিটি পুনেদা চথখিবা চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী টাইটল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পেয়র রামকুমার রামানাথন অমসুং ভিহে সুন্দর প্রসান্থ*

*লক্ষনৌদা চথরিবা সয়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী সট্লর সাইনা নেহৱাল*

## এমসি মেরি কোমনা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী পুৱারীদা ৬শুবা গোল্ড মেডল লৌদুনা খ্বাইদগী মায় পাকপী বোক্সর ওইরে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৪ঃ*

লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়ম কমপ্লেক্সতা চথরিবা এআইবিএ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর এমসি মেরি কোমনা ৬শুবা গোল্ড মেডল লৌদুনা মালেমগী বোক্সরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মায় পাকপী বোক্সর ওইবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙদা ৫রক টাইটল ফংবা ঙমখ্রবী মণিপুরগী বোক্সর এমসি মেরি কোমনা কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা শান্নদুনা ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা অহানবা রাউন্দ বাই ফংলগা অনীশুবা রাউন্দদা কজাখষ্টানগী বোক্সর আইগেরিম কাসেনায়েভাবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরন্নগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী বোক্সর ৱু য়ুবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরন্নবা মতুং সেমি ফাইনেলদা নোর্থ কোরিয়াগী বোক্সর কিম হিয়াং মিবুসু য়াম্না লায়না পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেল য়ৌদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী ৬শুবা ৱার্ল্ড টাইটল অদুগী লম্বী য়াংথখিবনি।

ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওট অদুগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী বোক্সর মেরি কোমনা য়ুক্রেনগী বোক্সর ওখোটাবু হিরম খুদিংমক্তা হেন্দুনা অকনবা প্রেসর পীবা হৌখি।

মরেপ ৱাংবা হেল্লবসু অনীশুবা রাউন্দদা মেরি কোমনা য়ুক্রেনগী বোক্সর অদুগী পোইন্ট লৌফমদা হঞ্জিন–হঞ্জিন্না থিনবা ঙমদুনা পোইন্ট হেন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহুমশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী বোক্সর মেরি কোমগী য়েৎথংবা কিননা থিংনখিবা পঞ্চ অমা য়ুক্রেনগী বোক্সর ওখোটাগী মমায়দা পানখিবদগী মেটচ অদুদা কন্দক্ত তৌখিবা জজশিংনা পোইন্ট হেন্না পীখিবদগী ফাইনেল বাওট অদু পোইন্ট ৫–০ দা মায় পাক্তুনা মহাক্কী কেরিয়রগী ৬শুবা ৱার্ল্ড টাইটল অদু লৌবা ঙমদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী মায় পাকপী বোক্সর অমা ওইবা ঙমখি।

নুপী বোক্সর এমসি মেরি কোমনা ৬শুবা ৱার্ল্ড টাইটল লৌখিবা অসিদা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভর্ধন সিংহ রাথোরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্না টাইটল লৌখিবা অসিদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা স্পোর্টসকী দিসিপ্লিনদা শান্নরিবা শান্নরোই কয়ানসু মহাক্কী মথৌনা অদুগীদমক অপেনবা ফোঙদোক্লখি।

এআইবিএ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৫৭গী ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবী সোনিয়া চাহল জর্মনিগী বোক্সর ওর্নেল্লা গাব্রিয়েলি ৱাহনরগী মখূত্তা পোইন্ট ১–৪ দা মায়থিহৌবদগী অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবদা সিলভর মেডল ফংহৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর সিমরনজিৎ কোর (কেজি ৬৪) অমসুং লোভলিনা বোরগেহেন (কেজি ৬৭) মখোয়–মখোয়গী সেমি ফাইনেল বাওটশিং মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।



*কেজি ৪৮গী ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী মেরি কোম (য়েৎ) অমসুং য়ুক্রেনগী বোক্সর ওখোটা*

## আই লীগ ২০১৮–১৯
## চেন্নাই সিটি এফসিনা নেরোকা এফসিবু ২–১ দা থোইদুনা মকোক ওইরি

*কোম্বেটোর, নবেম্বর ২৪ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবাল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মরুওইবা অমা ওইরিবা আই–লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা চেন্নাই সিটি এফসিনা নোরোকা এফসিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা চথরিবা লীগ অসিদা মেটচ অমত্তা মায়থিদনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লি।

তামিল নাদুগী ক্লব চেন্নাই সিটি এফসি অমসুং মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফসিনা ঙসি চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়ুম্বু ওইখিবা চেন্নাইগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নরকখি।

মেটচ অসিদা চেন্নাই সিটি এফসিগী মায়কৈদগী চনখিবা পাঞ্জল অনী অদু সেন্টর বেক রোবার্টো ইস্লাভা অমসুং মিডফিল্ডর নেষ্টর জিজসনা চনবা ঙমখি। অমরোমদা নেরোকা এফসিগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু সিঙ্গাম সুভাস সিংহনা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা চেন্নাই সিটি এফসিগী শান্নরোই জিজস নেষ্টরনা গোল অমা চনখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিদা গোল ৩ শুদুনা হেরো ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

আই–লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি আইজোলদা শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা আইজোলগী শান্নরোই মাপুইয়ানা অথেংবদা চনখিবা পাঞ্জলনা ইষ্ট বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা আইজোলগী শান্নরোই রিনফেল্লানা কাওশিনখিবা য়াম্না শাফু কনবা সোট অমা ইষ্ট বেঙ্গলগী উবেদতগী থক্তোরকপা বোল অমা আইজোলগী অতোপ্পা শান্নরোই আইভোরিয়ান মচা জিকাহি দোদোজনা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী ১–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিনবা ফাওবা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোই জোবি জষ্টিননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইহনবা ঙমখি। ৭০শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা স্পেনিস মচা বোরজা গোমেজনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা হেল্লগা য়ুম্বু টিম আইজোলগী শান্নরোইশিংনা প্রেসর পীবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৩শুবা মিনটতা আইজোলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জো জোহেরলিয়ানানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা টিম অনীমক ২–২ দা মান্নখি।

মেটচকী ৮৩শুবা মিনটতা য়ুম্বু ওইখিবা আইজোলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মাপুইয়ানা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা কোলকতাগী ক্লব ইষ্ট বেঙ্গলবু ৩–২ দা থোইদুনা চথরিবা আই–লীগ অসিদা অহানবা মায় পাকপা ওইখি।



## ইলিয়াস ৱাইমরনা প্রজনেস থোইদুনা পুনে চেলেঞ্জরগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*পুনে, নবেম্বর ২৪ঃ*

মহারাষ্ট্রগী সিটি পুনেদা চথরকপা য়ুএস দোল্লর ৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা পুনে চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্বিদেনগী ইলিয়ান ৱাইমরনা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেশ্বারন থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে। নুপাগী দবলস টাইটলনা ইন্দিয়াগী পেয়র রামকুমার রামানাথন অমসুং ভিহে সুন্দর প্রাসান্থনা ফংখ্রে।

পুনে চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্বিদেনগী শান্নরোই ইলিয়াস ৱাইমরনা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেশ্বারনবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরন্নগা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেশ্বারনবু য়াম্না কোম্না সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

নীংশিংবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী গুন্নেশ্বারননা মোলদোভাগী শান্নরোই রাদু এলবোটপু ১–৬, ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরন্নগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা মহাক্কী ফাইনেলদা লম্বা ওইখিবা স্বিদেনগী শান্নরোই ইলিয়াস ৱাইমরনা ঙরাং শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা কানাদাগী ব্রেদেন স্কনুরবু অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৩, ৩–৬, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

পুনে চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র রামকুমার রামানাথন অমসুং ভিহে সুন্দর প্রসান্থনা চাইনাগী পেয়র সুং হুৱা য়াং অমসুং চেং পেং সৈবু সেট ২–১ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

দবলসকী ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেট ইন্দিয়াগী পেয়রনা ৭–৬(৭–৩) দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেটতা চাইনাগী পেয়রনা ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি। দিসাইদিং সেটতা ইন্দিয়াগী পেয়রনা ১০–৭ দা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌখি।



## দিএসএ থার্দ দিভিজন ২০১৮
## ৱাইদব্লিউসি অমদি য়ুসিসি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দিএসএ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দা টিম ৬না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৪ দগী চথরকখিবা দিএসএ থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাইদব্লিউয়ুনা এসএফসি বু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ৱাইদব্লিউসিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৮ মিনাকান্তনা মেটচকী ২৪শুবা মিনটতা গোল ১, জর্সি নম্বর ১২ জেটলিনা মেটচকী ৩৪শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর ১৭ জোটিননা মেটচকী ৪৫শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা এসএফসি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ ঙমগৌ লিয়েননা মেটচকী ৭৬শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবদা য়ুসিসি না এফএসএবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা য়ুসিসি গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর জর্সি নম্বর ১১ এমদি লিয়াকটনা মেটচকী ৪, ৩২ অমদি ৫২ শুবা মিনটতা গোল অহুম চনখি।

এফএসসিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ২ এল সঞ্জয়না মেটচকী ৩০ অমদি ৫৩ শুবা মিনটতা গোল অনী চনখি।



## বিষ্ণুপুর ভেটেরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিয়ান ফুটবোল এসোসিয়েসন (বিদিভিএফএ) না শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা টিম ১০ না গ্রূপ অনী থোক্তুনা খায়দোক্তুনা চথরক্লিবা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল বিষ্ণুপুর ভেটেরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচ এফসি ইম্ফালবু অমদি চোল্লম গোলনা ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা চোল্লমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ পাওমিনথাংনা মেটচকী ৩৪শুবা মিনটতা গোল অমা অমদি জর্সি নম্বর ১৭ লমখোলেন কিপজেননা মেটচকী ৪২শুবা মিনটতা গোল অমা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ ফ্লাম অমদি এটিভিএফএ গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

ফ্লামগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১২ হেমিনথাংনা মেটচকী ১১শুবা মিনটতা চনখি।

এটিভিএফএগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ অহমুদ হমাংতেনা মেটচকী ৯শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা টিভিএসএফএ অমদি য়ুভিএসএ গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিদা টিবিএসএফএগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১২ এম ইবোমচানা মেটচকী ৮শুবা মিনটতা চনখি।

য়ুভিএসএগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৮ এম সগাওনা মেটচকী ৪৩শুবা মিনটতা চনখি।



## ইন্দিয়াগী ভভানি দেবীনা কম্মনৱেল্‌ঠ ফেন্সিংদা গোল্ড লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে



কেনবেরা, নবেম্বর ২৪ঃ

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি কেনবেরাদা চথরিবা সেনিয়র কম্মনৱেল্‌ঠ ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর ভভানি দেবীনা ইন্দিভিজুয়েলদা গোল্ড মেডল লৌদুনা পুৱারী শেম্বা ঙমখিবদা নত্তনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অহানবা গোল্ড মেডল লৌবা ঙন্বী আর্চরসু ওইখ্রে।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট চেন্নাইদা পোকখিবী ভভানি দেবীনা ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল রাউন্দদা ইংলেন্দগী আর্চর ইমিলি রুৱাক্সপু পোইন্ট ১৫–১২ দা মায়থিবা পীরন্নগা য়েল্লো মেটেল অদু ফংবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর ভভানি দেবীনা সেনিয়র কম্মনৱেল্‌ঠ ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা স্কোটলেন্দগী আর্চর কেত্রিওনা থোমসনবু মায়থিবা পীরমখি। মহাক কান্নুরদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা ত্রেনিং তৌরকখি লোয়ননা ইটালিদা চত্তদুনা চহী খরসু ত্রেনিং ফংলকখিবী আর্চরনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপা আর্চর কারন সিংহসু সেনিয়র মেন্স সাব্রে ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি। ইন্দিয়াগী টিম কারন, সাগর সাহি, মন্দিপ সিংহ অমসুং ভিসাল থাপরনা সেনিয়র মেন্স সাব্রে টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

## ইন্দিয়ান সুপর লীগতা মুম্বাই সিটি অমসুং এটিকে পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে

মুম্বাই, নবেম্বর ২৪ঃ

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মুম্বাই সিটি অমসুং এটলেটিকো দি কোলকতা (এটিকে) পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

টিম অনীমক মেটচ অসি হেক হৌবদগী লম্বা য়াম্না মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মতম অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাল্ফ অদুদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা মুম্বাইগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়বা ঙমখ্রবসু এটিকেগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চনশিনবগী খুদোংচাবা পীখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাক্নবা ঙম্নদনা মেটচ অদু পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

## ষ্টেট লেভেল মেন এন্দ ৱুমেন হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ঃ

মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী ২৫ ফাওবা খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ষ্টেট লেভেল মেন এন্দ ৱুমেন হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী নুপীগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচতা এসইৱাইও শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইনা আইদেল তেরাবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এসইৱাইওগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ এএসঐচ জোটিনা মিনট ১১ দা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর ৭ এস তানুনা মিনট ২৩, ২৬তা গোল অনী চনখি।

মায়থিরবা আইদেলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৫ এল রিতুনা মিনট ৫৩ দা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী ফাইনেল মেটচ ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ দা এসইৱাইও অমদি আইদেলগা শান্নরগনি।

নুপাগী ফাইনেল নুংথিল পুং ২.৩০ দা কেঐচএসসি খোঙমন অমদি এসৱাইয়ুসি উচেক্কোন খুনৌগা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং সমির বর্ম সয়েদ মোডি বেদমিন্টনগী ফাইনেল য়ৌখ্রে

*লক্ষনৌ, নবেম্বর ২৩ঃ*

উত্তর প্রদেশকী কোনুং লক্ষনৌদা লৈবা বাবু বানারসি দাস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা য়ুএস দোলর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সায়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱাল অমসুং সমির বর্ম নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই রুজেল হারটাৱানবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১২–২১, ২১–৭, ২১–৬ তা মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী হান য়ুগা শান্নরগনি।

চাইনাগী হান য়ুনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই ৭শুবা সিদেদ লি জুরোইবু ২১–১৫, ১৯–২১, ২১–৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী চিকো ৱার্দোয়োবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ২১–১৩, ১৭–২১, ২১–৮ দা থোইরন্নগা ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ চাইনাগী লু গুৱাংঝুগা শান্নরগনি।

গুৱাংঝুনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী সিথিকোম থামাসিনবু ১০–২১, ২১–১৬, ২১–১৭ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ৮শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিনা দেনমার্ককী পেয়র মাথিয়াস বো অমসুং কার্ষ্টেন মোগেনসেনবু ২২–২০, ২৫–২৩ দা থোইরন্নগা ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী ফাজার অলফিয়ান অমসুং মুহমদ রিয়ান অরদিয়ান্টোগা শান্নরগনি।